

# সনালৈবাক স্পোর্টস

IMPHAL, MONDAY, MARCH 6, 2017 PAGE 7




ইংলিস প্রেমিয়র লীগতা এবরতনবু মায়থিবা পীবদা অচৌবা থৌদাং লৌদুনা পাঞ্জল ২ চনবা ঙমখিবা টোটেনহাম হোষ্টপর্সকী হেরি কেন

সেলতা ভিগোবু পাঞ্জল ৫–০ দা মায়থিবা পীখিবা মেটচ অদুদা বরসেলোনাগী মাইকৈদগী পাঞ্জল ২ চনখিবা লিওনেল মেসি

## এম সি এ টি–২০ লুৱাংপোকপা ত্রোফি ক্রিকেট ২০১৭

### সাইক্লোন্না পি টি আর সি থোইখ্রে ত্রাউ অমসুং ফোর্সকী মেটচ তাই তাখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৫ঃ*

মণিপুর ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা লুৱাংশঙবমদা লৈবা লুৱাংপোকপা ক্রিকেট ষ্টেদিয়মদা চত্থরিবা অহানবা এম সি এ লুৱাংপোকপা টি–২০ ত্রোফি ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচ অমদা সাইক্লোন থাংমৈবন্দনা পি টি আর সি থাংমৈবন্দবু রন ২৭ তা মায়থিবা পীখ্রে। অদুগা ত্রাউ ক্লাকৈথেল অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাউনা শান্নখিবা মেটচ অদু তাই ওইখ্রে।

সাইক্লোন অমসুং পি টি আর সি না শান্নবা মেটচ অদুদা তোচ সাইক্লোন্না ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা সাইক্লোনগী মাইকৈদগী ওভর ২০ দা ৱিকেট ৭ তুরগা রন ১০৪ লৌবা ঙমখি।

টিম অদুগী নরশিংনা বোল ২০ দা রন ২৮ লৌখিবা অদুনা খ্বাইদগী য়াম্বা ওইখি। অদুবু অকসেকুমার অমসুং সুনিল বোসনা মথংশিংনা রন ২৩ অমসুং ২৪ লৌরম্বা অদুনা টিম অদুগী অপুন্বা স্কোর ১০৪ য়ৌরকপদা অচৌবা মতেং অমা পীখি।

পি টি আর সি গী মাইকৈদগী মায় পাক্কবা রন ১০৫ তান্নরকপদা মখোয়গী বেটচমেন ১০ মক ১৮ শুবা ওভরগী মরিশুবা বোলদা রন ৭৭ খক লৌরম্লগা আউত তাখিবদগী সাইক্লোন্না মেটচ অদু রন ২৭ তা থোইখিবনি। সাইক্লোনগী বোল্লর জেমপুনা ৱিকেট ৪ লৌখিবদগীমক মেন ওফ দি মেটচ ফঙখি।

ঙসি শান্নখিবা ত্রাউ ক্লাকৈথেল অমসুং ফোর্স ক্ষেত্রিগাউগী মেটচ অদুগী তোচ ফোর্সনা ঙমদুনা বেট্টিং হান্না তৌখি। মদুদা টিম অদুগী বেটচমেন ৯ তুরগা ওভর ২০ দা রন ৯৮ লৌখি। টিম অদুগী সদাম্না বোল ৪৮ রন ৪৯ লৌদুনা খ্বাইদগী ফজবা বেটচমেন ওইখি।

ত্রাউগী মাইকৈদগী মায় পাক্কবা রন ৯৯ অদু লৌননবা হোৎনরকপদা মখোয়গী বেটচমেন ৮ আউত ওইরগা ওভর ২০ দা রন ৯৮ লৌখিবদগী মেটচ অদু তাই তাখিবনি।

ত্রাউগী মাইকৈদগী প্রিয়োজিৎনা বোল ২৬ তা রন ২২ লৌবা ঙমখিবা অমদি ফোর্সকী বেটচমেন মরি মহাক্লা লংখিবা বোল আউত তাহনখিদুনা মেন ওফ দি মেটচ তাহনখি।

## ১৪শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭

### চেম্পনা মোদেল বি বু ৱিকেট ১ দা মায়থিবা পীখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৫ঃ*

মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা ওরিয়েন্টেল কলেজ অমদি মোদেল হায়র সেকেন্দরী গ্রাউন্দদা পাংথোকখিবা ১৪ শুবা মণিপুর ভেটরান ক্রিকেট টুর্নামেন্ট ২০১৬–১৭ কী ঙসি শান্নখিবা মেটচতা চেম্প খাগেম্পালিনা মোদেল ক্লব –বি চিংঙামখাবু ৱিকেট অমদা মায়থিবা পীখ্রে।

মোদেল ক্লব–বি না তোচ ঙমদুনা বেট্টিং হান্না খনখি। ওভর ২৪ গা বোল ৫ শুবদা মখোয়গী বেটচমেন ১০ মক আউত ওইদুনা মোদেল ক্লব বি শুপ্পগী রন ১০৪ খক লৌবা ঙমখি।

মোদেল ক্লব বি সু বেটচমেন খুদিংনা চেম্পকী বোল্লরশিংগী ফজরবা বোলশিং ময়োক্লবা হোৎনবদা অৱাবা ওইখি।

মোদেল ক্লব বি গী বেটচমেন গৌরাচন্দ্রনা বোল ৩৫ দা রন ১৬, বলেশ্বরনা বোল ১১ দা রন ১২ অমদি দোরেন্না বোল ৩৬ তা রন ১৭ লৌখিবদুনা মখোয়গী মশক থোকপা বেটচমেন ওইখি।

ইন্নিংস অদুদা চেম্পকী বোল্লর বিসেশ্বরনা ৱিকেট অহুম গৌপালনা অনী, জোদিবসু অনী অমদি রতন, ইবোবীসু ৱিকেট অমমম লৌবা ঙমখি।

ইন্নিংস অদুদা মোদেল ক্লব বি ৱিকেট পুম্নমক তুরগা পুন্না রন ১০৪ লৌদুনা অহানবা বেটিং লোইশিনখি। অনীশুবা ইন্নিং সতা চেম্পনা মায় পাক্কবা রন ১০৫ লৌনবা বেট্টিং তৌরকপদা জোদিবানা বোল ২২ দা রন ২৪, মাইকেলনা বোল ৩৫ দা রন ১৯ ,টেসবন্তদনা বোল ১৩ দা রন ১৪ অমদি রজুনা বোল ১৭ তা রন ১৩ লৌদুনা ৱিকেট ৯ তুরগা ওভর ২২ গা বোল ৪ দা রন ১০৮ লৌবা ঙমদুনা ৱিকেট অমদা মায় পাকপা ঙমখি।

মোদেল ক্লব বি গী বোল্লরশিং অসনিনা ৱিকেট ২, পিয়ারেলানসু ৱিকেট ২, দোরেন্না ৱিকেট ৩, মণিকান্তা অমসুং পিয়োজিৎনা ৱিকেট অমমম লৌবা ঙন্নবসু মায়থিবা নঙখি।

মেটচ অসিগী মেন ওফ দি মেটচ চেম্প খাগেমপালিগী পুন্না রন ২৪ অমসুং ৱিকেট ২ লৌবা ঙমখিবা জোদিবানা ফঙখি।

হয়েংগী মেটচ ওইনা দাইনামিক স্পোর্টিং য়ুনিয়ন (বি এস য়ু) ক্লাকৈথেলগা ৱাই দব্লিউ সি লাংথবালগা শান্নরগনি হায়রি।

## অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ ২০১৭ আর এফ সি না ৱিন্নর ওইখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৫ঃ*

ৱাইখোম লৈকায় ফুটবোল কম্মিটি (দব্লিউ এফ সি) না শীন্দুনা ৱাইখোম লৈকায় এঠলেটিক ক্লব (ৱাই এ সি) গ্রাউন্দদা চত্থরকখিবা অহানবা মেরিনা স্প্রিং কপ ২০১৭ সভেন এ–সাইদ ফুটবোল টুর্নামেন্টগী ৱিন্নর আর এফ সি খন্নাম লৈরক্লা ৱিন্নর ওইখ্রে।



ঙসি গ্রাউন্দ অসিদা শান্নখিবা মেটচ অদু আর এফ সি গী খন্নাম লৈরক অমদি এস বি আর এফ সি নোংদম অনীগী মরক্তা শান্নখিবনি।

মদুদা আর এফ সি না এস বি আর এফ সি বু ৫–২ দা মায়থিবা পীদুনা ৱিন্নর ওইখিবনি।

মেটচ অদুগী অহানবা হাল্ফতা আর এফ সি গী মাইকৈদা জর্সি নম্বর ৮ নাওবনা মিনট অনীদা অহানবা গোল চনখি।

পীয়াম্বুং জর্সি নম্বর ৯ না মিনট অহুমদা অনীশুবা গোল চনখি।

অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ৩৩ দা নাওবনা অহুমশুবা গোল চনখি। মিনট ৪৬ তা পিয়াম্বুংনা মরিশুবা গোল চনখি। অমদি মিনট ৫১ দা জর্সি নম্বর ১১ সুসিলনা ৫ শুবা গোল চনখি। এস বি আর এফ সি গী মাইকৈদা অহানবা হাল্ফকী মিনট ৭ তা জর্সি নম্বর ১০, চাওবনা অহানবা গোল চনখি। অনীশুবা হাল্ফকী মিনট ২৭ তা জর্সি নম্বর ১২, দিপক্লা অনীশুবা গোল চনখি।

মেটচ অদুগী বেষ্ট দিফেন্দর আর এফ সি গী জর্সি নম্বর ৬ শুরেস রাইনা তাখি। বেষ্ট গোল কিপরনা এস বি আর এফ সি জর্সি নম্বর ৱান গোলমৈ, বেষ্ট প্লেয়রদা এস বি আর এফ সি গী জর্সি নম্বর ১১ প্রেত্রিক, হায়য়েস স্কোররদা গোল ২৩ চনবা ঙমখিবা আর এফ সি গী জর্সি নম্বর ৮ নাওবনা তাখি। অমদি ঙসি শান্নখিবা ফাইনেল মেটচ অদুগী ফাষ্টেস স্কোররসু নাওবনা তাখি। মেটচ অদুদা নিয়ম লান্না শান্নরুবগী আর এফ সি গী মাইকৈদা শান্নরোই মরি য়েল্লো কার্দ ফঙখি। অদুগা এস বি আর এফ সি গী মাইকৈদনা শান্নরোই অনী য়েল্লো কার্দ ফঙখি।

## ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল ৭ এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট

### এস সি ৱাই অমদি এফ সি খা শঞ্জেনবম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে

*ইম্ফাল, মার্চ ৫ঃ*

এ ৱাই দি এ অৱাং খুনৌ ময়াই লৈকায়না শীন্দুনা মখোয়গী শান্নবুংদা চত্থরকখিবা ১২ শুবা ষ্টেট লেভেল সভেন এ সাইদ ভিলেজ ওপন ফুটবোল টুর্নামেন্ট ২০১৭ দা এস সি ৱাই য়ুম্নাম খুনৌ অমদি এফ সি খা শঞ্জেনবম সেমি ফাইনেল চঙখ্রে।

ঙসি নুংথিল শান্নখিবা ক্বার্টর ফাইনেলগী অহানবা মেটচতা এস সি ৱাই অমসুং দব্লিউ এস সি ঙাইরাংবমগা লম্বা তৌন্নখি। মদুদা এস সি ৱাই না ৪–১ দা দব্লিউ এপ সি বু মায়থিবা পীখি।

এস সি ৱাই গী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৩ টি ঐচ শিং সিংহ না মিনট ৩ দা অহানবা গোল চনবা ঙমখি। জর্সি নম্বর ১২ এন রুপাচন্দ্রনা মিনট ৯ দা অনীশুবা গোল চনখি। জর্সি নম্বর ৮ অজয়কুমারনা মিনট ১৩ দা অহুমশুবা অমদি জর্সি নম্বর ৯ এম রোমিনা মিনট ৩৯ দা মরিশুবা গোল চনবা ঙমখি। দব্লিউ এস সি ঙাইরংবমগী মাইকৈদা জর্সি নম্বর ৭ এন জি জেনিসনা মিনট ৪১ দা গোল অমখক চনবা ঙমদুনা মায়থিহৌখিবনি।

অনীশুবা মেটচতা সি ৱাই দি এ লমদেং অমসুং এফ সি খা শঞ্জেনবম অনীনা লম্বা তৌন্নখিবনি। মদুদা এফ সি খা শঞ্জেনবমগী মায় পাকপগী গোলশিং অদু জর্সি নম্বর ৮ এম জোন্সন্না মিনট ৩৫ দা অহানবা অমদি জর্সি নম্বর ১৪ এল প্রেমজিৎনা মিনট ৩৯ দা অনীশুবা গোল চনবা ঙমখি। সি ৱাই দি এ লমদেংগী মাইকৈদা জর্সি নম্বর ২১ জি গোলমৈনা মিনট ৪০ দা গোল অমখক চনবা ঙম্বগী মাইথিহৌখি।

## ২ শুবা কংলৈপাক থাং –তা চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ পাংথোক্লগনি

*ইম্ফাল, মার্চ ৫ঃ*

কঙলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন্না শীন্দুনা পাংথোক্কদৌরিবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ২০১৭ গী শরুক অমা ওইনা চৎলিবা থা অসিগী তাং ১১ দগী ১৭ ফাওবা হুয়েল লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়সন, মণিপুরগী থাঙ–টা শঙলেন, য়ুম্নাম হুইদ্রোম, ইম্ফাল ৱেষ্টতা ২ শুবা কংলৈপাক থাং –তা চেম্পিয়নসিপ ২০১৭ পাংথোক্লগনি।

চেম্পিয়নসিপ অসিদা চহি ১৬ কী মখাদা লৈবা নুপামচা অমদি নুপীমচা থাঙ–টা শান্নরোইশিংনা মখাগী মশান্নশিং অসিদা অথোই–অহেন তান্নগনি।

১। ফুনবা অমা (চৈবী অমদি চুঙ্গোই পাইরগা ফুনবা) ২। ফুনবা অনীশুবা (চৈবী পাইরগা ফুনবা, কাওবা য়াওবা) ৩। থাঙ–হায়বা (নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ওপন) ৪। থাঙলোন অমদি খোঙলোন–খুৎলোন (নুপামচা অমদি নুপীমচাগী ওপন) নি। মরম অদুনা চেম্পিয়নসিপ অসিদা শরুক য়াবিনিংবা মণিপুরগী তোঙান তোঙানবা মফমদা লৈবা থাঙ–টাগী শিন্দমশঙ, লুপ, ওর্গনাইজেসন, স্কুল, ক্লবশিংনা অকুপ্পা মরোল হুয়েল লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়েসন, মণিপুর, ওফিস য়ুম্নাম হুইদ্রোয়ামদগী খঙলবা য়াগনি হায়না হুয়েল লাংলোন থাঙ–টা এসোসিয়েসনগী জেনরেল সেক্রেটরগী চেরোল অমনা খঙহল্লক্লি।

## হয়েং থাউ য়েনগদবা মফমশিং

| Sl No | Dist: Imphal East | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KONTHOUJAM KSK | KYAMGEIPALI | - | - | |
| 2 | P.G.PETROLUEM | CHINGMEIRONG | | | |
| 3 | TUKS & BONS F / STN. | Hatta | | | |
| 4 | KHURAI SERVICE STN | KHURAI | | | |
| 5 | KSK KOIRENGEI | KOIRENGEI | | | |
| 6 | LEMBISANA S.STN | UYUMPOK-PAORABI ROAD | 4 | | |
| 7 | KUSUM S / STN. | PALACE GATE | | 20 | 4 KL & 16 KL HSD reserved CAPF - Election Duty is already available. DC is requested to kindly arrange upliftment of the product. 20 KL HSD reserved for Election. |
| 8 | POROMPAT SERVICE STN | POROMPAT | | | |
| 9 | EASTERN AGRO SERVICE | KONGBA | | | |
| 10 | FRIENDLY S.STN | KHABEISOI | 7.2 | 12 | 8 KL HSD reserved for election, Issue on permit to be given by DC/Ukhrul |
| 11 | DGR Velocity KSK | NAPET PALLI | | | |
| 12 | IBETOMBI KSK | TAKHOK | 8 | 12 | |
| 13 | THAMBAL KSK | TINSEED | | | |
| 14 | DSLS | MANTRIPUKHARI | 0 | | |
| | | Total | 19.2 | 44 | |

| Sl No | Dist: Imphal West | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | EMO F / STN. | SINGJAMEI | | | |
| 2 | IBOCHOU S / STN. | KAKWA | 4 | 8 | |
| 3 | K. NILO SINGH | LANGJING | 12 | 12 | 8 KL HSD reserved for convoy joining vehicle. 4 KL HSD reserved for Xtra Fleet |
| 4 | JAS GAS STN. | URIPOK | | | 10 KL HSD is already avaialble at the RO, reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 5 | HIGHWAY PETROLEUM | TERA BAZAR | | | |
| 6 | KONSAM OIL SERVICE | LANGTHABAL KUNJA | 8 | | |
| 7 | Krishnapremi Oil city | MOIRANGKHOM | 4 | | 4 KL MS & 10 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. |
| 8 | LAMSANG OIL SERVICE | LAMSANG | | | |
| 9 | YUMNAM ROMABATI KSK | CHINGAMAKHA | | | |
| 10 | TIDDIM SERVICE STN | TIDDIM ROAD | 8 | | |
| 11 | MAYAI LAMBI S.STN | HIYANGTHANG | | | |
| 12 | HEIRANGOITHONG SS | HEIRANGOITHONG | 10.8 | 12 | |
| 13 | PCTC | Khoyathong | | 24 | 20 KL HSD is reserved for Govt. depts, Xtra Fleet and including 1.5 KL HSD for BSNL. Sufficient Qty of MS and HSD reserved as per CEO's direction are already available at the RO ( Reserved for CEO/Office, DEO/IW, CAPF &Police/ SAP, Political Parties). Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. |
| 14 | BAKLIWAL ENTERPRISE | North AOC | 10 | 12 | Sufficient Qty of MS and HSD is reserved as per CEO's direction are already available at the RO. 4 KL HSD reserved for next Convoy joining vehicle. Respective DCs/ Authorities are requested to kindly arange to issue permit to upliftment of the product. Issue on permit to be given by respective DC. |
| 15 | B.B. & CO. | SANGAIPROU | | | 10 KL MS & 25 KL HSD already available at Retail outlet is reserved for Political Parties for release on special permit issued by DC. |
| 16 | KRISHNADAS S / STN. | Ghari | 8 | - | |
| 17 | LNCN SONS F.STN | SEKMAI | | 8 | |
| 18 | IMPHAL OIL AGENCY | CHINGMEIRONG | 8 | 12 | Already sufficient qty of MS and HSD under reserved category is available. DC/ Kamjong to issue permit. Another 4 KL HSD is reserved for Election, DC/Kamjong to issue pass. |
| 19 | UNITED BROS | KHONANG KARAK | 8 | 8 | |
| 20 | SLC, Kisan Sewa Kendra | Sadokpham | | | |
| 21 | DIAMOND SERVICE | KWAKEITHEL | 4 | | 4 KL HSD is reserved for Election. DC/IW to issue Permit. |
| 22 | HEIBOK FILLING KSK | HEIBOK | | | |
| 23 | THOUNA | HIYANGTHANG | | | |
| 24 | MANIPUR HIGHWAY S.STN | KHABAM | | | |
| | | Total | 84.8 | 96 | |

| Sl No | Dist: Thoubal | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | INDO MYANMAR OIL CENTRE | WANGJING | | | |
| 2 | S.Mani Filling Centre | kakching | | | |
| 3 | TH SOROJINI DEVI | KHANGAPOK | | | |
| 4 | KANHAI & SONS | THOUBAL | | 8 | 4 KL HSD is reserved for DEO/Tbl Issue on permit given by respective DC |
| 5 | KSH. BAIKUL SINGH | KAKCHING | 10 | 12 | |
| 6 | Keramat & sons | YAIRIPOK | | 4 | |
| 7 | CHARGY FUEL STATION | LILONG | | | |
| 8 | KHA MANIPUR | LANGMEIDONG | | | |
| 9 | THOKCHOM KSK | HEIROK | | | |
| 10 | LEISHANGTHEM KSK | LEISHANGTHEM | | | |
| 11 | YUMNAM OIL SERVICE | WABGAI | | 12 | |
| | | Total | 10 | 36 | |

| Sl No | Dist: Bishnupur | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | NAMBOL SERVICE STN | NAMBOL | | 4 | 4 KL HSD is reserved for DEO/Bpr Issue on permit given by respective DC |
| 2 | MOTOR S. STN. | MOIRANG | | | |
| 3 | BITEJ GASOLINE CENTRE | BISHENPUR | | 8 | 8 KL HSD is reserved for DEO/Bpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | NINGTHOUJA KSK | KUMBI | | | |
| | | Total | 0 | 12 | |

| Sl No | Dist: Churachandpur | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | TUIBUONG S /STN. | Churachandpur | | 8 | 8 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 2 | SUAKHUN & SONS | Churachandpur | | 4 | 4 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 3 | LAMKA FILLING STATION | NEW LAMKA | | 4 | 4 KL HSD is reserved for DEO/CCpr. Issue on permit given by respective DC |
| 4 | M/S NIANGCHIIN SERVICE S | Buallian | - | - | |
| | | Total | 0 | 16 | |

| Sl No | Dist: Pherzawl | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Zuasiam Kisan seva kendra | THANLON | - | - | |
| | | Total | 0 | 0 | |

| Sl No | Dist: Tamenglong | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | HONKA & SONS | TAMENGLONG | | | 12 KL HSD already available for Election (DEO/Tml), to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | D. GAIDINGAM S.STN | NONEY | | | |
| 3 | NAMRI KSK | TAMEI | - | - | |
| | | Total | 0 | 0 | |

| Sl No | Dist: Chandel | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | Moreh Agency | Moreh | - | 12 | |
| 2 | CR Nicholas | | 10 | | 6 KL each MS is reserved for Election (DEO/Cdl),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| | | Total | 10 | 12 | |

| Sl No | Dist: Senapati | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | DK Oil Agency | | | 12 | 10 KL HSD is reserved for Election (DEO/Kangpokpi ),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained |
| 2 | Bull Horn | Tadubi | | | Already 8 KL MS and 8 KL HSD is avaialble with the RO |
| 3 | J & D Oil, Senapati | | | 12 | 8 KL HSD is reserved for Election (DEO/SPT),to be issued against authorised permit issued by DC. Register to be maitained. Allocated product is for entire Senapati District |
| | | Total | 0 | 24 | |

| Sl No | Dist: Ukhrul | | MS | HSD | REMARKS |
|---|---|---|---|---|---|
| 1 | KV Service | | | 4 | |
| 2 | SHIZA Auto | | | 8 | |
| | | Total | 0 | 12 | |
| | | Grand Total | 124 | 252 | |